# পীথোরকপা খক্লসু য়ারোই, তম্বখক্লসু মপুং ফারোই... তোম্বা








মতম চুপ্পদা ইনাক্তা অদুম লেঙদনা লৈবা, লামলুরবসু পাক হেক ফংদবা, থোৎপদসু-কনবদসু লম্বা লৈত্রবা তোপ-তোপ্পা গুনতনা য়োম্লবা আর্টনি মণিপুরগী আর্ট। ক রি মরমগীদমক ইনাক্তা লেঙদনা লৈরবা পোৎশক অমবু লাম্বা ফংদ্রিবনো হায়বসি ইশানা ইশাদা ব্রাহং হংজরগা পাউখুমসু ইশানা থিজগদবনি। পীথোরকপা খক্লসু য়ারোই, তম্বখক্লসু মপুং ফারোই হায়বসি আর্টকী লমদা খোঙদারিবা মীপুম খুদিংমক্লা খঙবা মথৌ তাই। মী অমনা মী অমবু হন্থনা উবা অমদি আর্টিষ্ট অমনা আর্টিষ্ট অমবু হন্থনা খনবা হায়বসি মশানা মশাবু মগুন য়াওজদবা, মগুন য়াওবা শাবা মীনি। অপঙবা মপান থোকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়রি মণিপুর শুমাঙ লীলাগী লমদা বিন লাদেন শাবা অমদি হিটলর শাবা হায়নসু খঙনবা মতম শাংনা শুমাঙ লীলাগী ফম্পাক্তা খোঙদারিবা লাইশ্রম তোম্বনা।

লাইশ্রম তোম্বা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অৱাং পোৎশঙবম খুন্নৌদগীনি। লৈ-খদ্রবা এল মনি সিংহ অমদি এল ওংবী ভানু দেবী অনীগী ইকোন কোনবা মচানুপা ওইনা ইং ১৯৬৮ কী এপ্রিল তাং ১ দা ফংজখিবনি। মচিন মনাও নুপা ৪ নুপী ১ নি। মহৈগী থাক মেত্রিকুলেটনি। অঙনবা মতমদগী থিয়েটরগী লমদা হৌরকখিবা এল তোম্বা লক্ষৌদা লৈবা ভাট খান্দে সঙ্গিট বিদ্যপতিদা তল্লাগী ওইবা লমদা অনীশুবা বিষারট অমদি ফোল্ক ম্যুজিক্তা দিপ্লোমাগী মহৈ মপুং ফাখ্রে। শুমাঙ লীলা অমদি থিয়েটরগী লমদা চহী ২০ হেন্না নোলেজ লৈরবা লীলা ১০০ গী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা শক্তম লাংদুনা মীয়ামগী শেবা তৌরিবা এল তোম্বা ন্যু দিল্লি, অসাম, নগালেন্দ, বেঙ্গল, উরিষা, এল্লাহবাদ, শিলচর, কোলকতা, মুম্বাই, কেরেলা অমদি ষ্টেটকী ওইবা মফম কয়াদা পাঙথোকপা নেসনেল অমদি ষ্টেট থিয়েটর ফেষ্টিভেল, সেমিনার অমদি কম্পিটিসননচিংবা কয়াদা শরুক য়ারকখ্রে। লোয়ননা মোইরাং পর্বদা চহী ২ গী কোর্স, হিষ্টোরিকেলগী লীলাদা চহী ৫ গী কোর্স, টোটেল থিয়েটরদা চহী ৫ গী কোর্স অমদি রুরেল থিয়েটরদা চহী ৪ গী কোর্স য়াওরুবনা নোলেজ কয়া তানশিনবা ঙম্বদা নত্তনা সার্টিফিকেট কয়াসু ফংখি। মসিদা নত্তনা এ আই আর ইম্ফাল অমদি দি দি কে ইম্ফালদা যাত্রাৱালীগী এপ্রুভ আর্টিষ্ট ওইনা লৈরমখি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেলদা উৎ-খবা 'নোংমা হায়গে' হায়বা প্লেদা সেকেন্দ বেষ্ট এক্তরগী মনা, মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শিনবা চহীগী ওইবা শুমাঙ লীলা নিংথম কুম্মৈ ২০০৮-০৯ দা উৎখিবা 'অনৌবা নুমিৎ' অমদি নিংথম কুম্মৈ ২০১২ তা উৎখিবা 'ঈ মরী' হায়বা প্লেদা বেষ্ট সপোর্টিং এক্তরগী মনা অনী ফংবা ঙমখ্রে। আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈননা দি দলিৎ সাহিত্য একাদেমী মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক-খবা 'ফার্ষ্ট এসিয়ান কনফরেন্স ওফ দলিৎ সাহিত্য ২০১৪' দা পীবা 'ডাঃ বি.আর. অম্বেদকর নেসনেল এৱার্দ-২০১৪' হায়বা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ এল তোম্বনা ফংবা ঙমখি।

মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লবা তংদু লৈতাদ্রবা ঙসিগী লমদম অসিদা চোকথবা লৈতনা লীলাবু পুন্সিগী খোঙলোইনি হায়না হোৎনরিবা এল তোম্বগী কলাগী ওইবা পুন্সি খোঙচৎতা হীমায় চুম্বীরকখিবশিংগী মনুংদা কৈশামপাৎ থাংজম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা সানখ্য ইবোতোম্বী (থিয়েটর দিরেক্তর এন এস দি) উরিপোক্তগী পদ্মশ্রী রতন থিয়াম (কোরস রিপোটরি থিয়েটর, দিরেক্তর), কংজৰী লৈরক্তগী বির্জিৎ ঙাঙোম্বা (সেনিয়র লেকচরর, এন এস দি অমসুং শুমাঙ লীলা), ইরোম মৈত্রাওদগী লৈখিদ্রবা ইবোতোম্বী শর্ম্ম (শুমাঙ লীলা, দিরেক্তর) অমদি হাওবম মরক্তগী নব ৱারেপ্পা (থিয়েটর মিরর, দিরেক্তর) শুনি হায়না ইকাই খুম্নবা অমগা লোয়ননা পল্লকখি। অদুবু থিয়েটরগী লমদা মখুরা এল নব সিংহ (নাত্য সঙ্গিৎকী ওজা) অমদি শুমাঙ লীলাগী লমদা মহাক্না পোকমিন্নবা ময়াম্বা এল জুগেশ্বর (শুমাঙ লীলা আর্টিষ্ট) পুনা অদি গুরুনি হায়নসু পাউদম্লকখি।

শক্লাইরবা শুমাঙ লীলা আর্টিষ্ট এল তোম্বদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা... অপোকপনা চহী য়ামশিল্লক্লবা শোঙ্গিল্লক্লবা মতমদা ঐবু য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাহল্লমদনা শিখিবা তারগদি লমন অমা তোল্লগা শিবা হায়বদু থোক্লগনি হায়দুনা অৱাং ৱাবগাইদা লৈশা তম্লকখবী লৈখিদ্রবী নাম্বম নিঙোল পুর্নিমাসি দেবীগা ইং ১৯৭৮ তা য়ুম্বাল পুন্সিদা খোঙদামিন্নখ। ইচানুপা ২ অমদি ইচানুপী ১ ফংজরে। পুঙ তল্লা অমদি ধোলোক থিনবা পামজনা হৌরকখিবা ঐগী পুন্সিদা মতৌ করম্না শুমাঙ লীলাগী ফম্পাক্তা খোঙদারকখিনো হায়রবসি পোকমিন্নবা ইয়াম্বা এল য়ুগেশ্বরনা মশা ঙম্লক্তবা মতমদা লীলা শান্নফম ফাওবা থিন্দোক-থিজিন তৌবা হায়বসি ঐগী তঙাইফদবা ইথৌদাং ওইখিবনা থিন্দোক-থিজিন তৌবা মতমদা মতমদুগী লীলা খোঙবুরোইশিংনা তোম্বসি চুমফিরাল চুম্মী, থিনবা য়ৈবসু হৈ হায়বদগী লৈখিদ্রবা ওজা থাংজম বিরচান্দ অমদি ওজা ঙাঙোম চাউবা অনীনা য়ুমদা লাক্তুনা ঐবু লীলা য়াওনবা হায়বদগী লীলাগী ফম্পাক্তা তারকখবনি। মতম অদু অনীশুবা ইচাবু মমাগী থাবানুংদা লৈরিঙৈ মতমনি হায়না আর্টিষ্ট অসিনা পাউদম্লকখি।

পুন্সিগী অহানবা ওইনা ইং ১৯৮২ দা ইম্ফাল যাত্রা এসোসিয়েসন্না শান্নখবা 'মেমনাওবী' হায়বা প্লেদা লীলারোই অমা ওইনা খোঙদাবা হৌরকখি। মসিগী মখা তারকপদা রাইজিং ষ্টার এসোসিয়েসন্না শান্নবা হোষ্টেল গর্ল অমদি দিপানিতাগী অহিং, পাম্থোইবী যাত্রা এসোসিয়েসনগী অরেঙবা মুর্ত্তি অমদি চীংগী ইচল, কমখ্য সঙ্গিৎ মন্দলগী ইমা ঐ লুহোংখিরোই, অধিকার, পাপ্পী, পোষ্ট মোর্টেম, কাঞ্চিগী আশ্রম, ঈগী মহাও, রিভোলুসন, মণিপুর বন্দ, নোংমা হায়গে, চীংখৈ হুল্লকপা, ত্বেন্টিথার্দ সেঞ্চুরি, হার্দ কোর অমদি মৈগী চীং, সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন্না শান্নখিবা থৱাইগী মমল, লাংওন অমদা, য়েন্নিংথাগী মাল্লংবা, ইঙাগী পুর্নিমা, মেম সাহেবকী শারী, শজিবুগী লৈহাও, নিঙোল চাক্কৌবা, ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টর, দেবদাস, লিদিসিগী গুলাপ, নঙনা লুহোংদ্রিঙৈ, তাজমহল, সনালৈবাক্কী ইঙেল্লৈ, অহিং সিনা লোইরকপদা, নুংশিবগী খুদোল, উগন্দগী মরাইবক, সিঙ্গারৈ অমদি অনৌবা নুমিৎ, শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী ওইনা য়াইরিপোক থম্বালনু অমদি পুয়া মৈ থাবনচিংবা লীলা ১০০ গী মথক্তা লীলারোই অমা ওইনা মীয়ামগী সেবারোই ওইনা শান্নজবা ঙমখ্রে। ওল ইনি দয়া রেদিও ইম্ফালগী নেসনেল প্রোগ্রামদা অনৌবা থৌনা, মীওইবা, মনি, ইতিহাসনা হুন্দোকপীরবা পুন্সি, মখোয়সু ঐখোয়গুম্বনি, আশ্রম অমগী লৈপুন, ফাগি নত্তে য়ুম পানবা, অনৌবা মপোক, শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য, জন নেতা ইরাবোৎ অমদি খল্লুদবা পুন্সি অমা হায়বা প্লেশিং অমদি দি দি কে ইম্ফালগী টেলি প্লেগী অনৌবা পুন্সি হায়বা প্লেশিংদা শরুক য়াখ্রে।

মখা তাবা ৱাহংশিংগী পাউ-খুম পীরদুনা... ইরোম চনু সর্মিলা লমদম অসিগী তাঙলবা নিঙোল অমনি মহাক্কী অনৌবা খোঙজং চুম্মী অমদি লালি হায়বা পাউখুম পীখিরোইগে। মহাক্না চহী ১৬ চারা হেল্লকখবসি লমদম অসিগীদমক্কি। হৌজিক্তি মহাক লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী হায়বসু ওইরবনিনা মীয়ামগী অপাম পামদা অমদি অফ-ফত্ত মুন্না খন্থরগা থবক তৌবনা চুমগদ্রা হায়না খল্লি।

পুলিস হায়বসি প্রজা মীয়ামগা নুংশিন্নবা মরী অমদা লৈমিন্নগদবনি। মীচম প্রজাগী অশোয়বদা ফজবা ৱাহৈনা অমদি ফজবা থবক্লা শিন্দোকপীবা লোয়ননা অশোনবশিংবু মতেং পাঙবিবা তারবদি ঙসি মীয়াম্না পুলিসতা অকিবা ফাওরিবসি ফাওরম্লোই, মখোয় লৈরি হায়না চাউথোক্লা হিংবা ঙম্লমগনি। মণিপুর পুলিসতি চাদা ৯৮ তি গুন্দা ওইরে হায়নরে হৌজিক্তি, ঐনা হায়বা নত্তে প্রজা মীয়াম্না হায়বনি।

লমদম অসিদা তানশিনবগী লোয়বা নাইদ্রবা কলাগী মহৈ অসিবু অখণ্ড-অহৈ কয়াগী তুংইঞ্জরুবনা মীৎ পাঙবা খরমখৈদি ঙমজরে হায়না খঞ্জবদা নত্তনা লোয়বা নাইদ্রবা মহৈকোন অসিদা মহৈরোই অমা ওইনা লৈজরি হায়না খঞ্জরিবনি। পীথোরকপা খক্লসু য়ারোই, তম্বখক্লসু মপুং ফারোই কলাগী লমদদি। অদু ওইরবদি ঐখোয় করি তৌবা তাই হায়বসি থিদোক্লগা থবক ওইনা পাঙথোক্লবদা আর্টকী মগুন চপ চানা খঙবা অমদি উবা ঙমগনি হায়না হায়নিংই। লীলা তৌজরিবা ঐখোয়সে লৈবাক নীংবা অমদি মীয়ামগী সেবা তৌজরিবা মীশক অমনি হায়বসি খঙবীবদা নত্তনা নুংশিবিবা অমদি নুংশিবা অমগী লীপুন মখাদা হিংমিন্নবা পাম্মী।














Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*